# ইষ্ট ক্যুবাদা পাঙথোকপা লন্নাই থৌরমদা ফিদেল কাষ্ট্রোগী হকচাং লৈরোল চনখ্রে



সান্টিয়াগো, দিসেম্বর ০৫ : ফিদেল কাষ্ট্রোগী উৎ য়াওবা উগী বোক্স অমা মহাক্কী মনাওনুপা অমসুং মহুৎ শিনবা রাউল কাষ্ট্রোনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ক্যুবাগী মতীক-ময়াই কল্লবা মকোই খাকপা রেবেল অদুগী অমত্তা ঙাইরবা ওফিসল মোন্যুমেন্ট ওইরবা গ্রেনাইটকী নুঙজাউ অমগী নাকলদা থমখি।

অয়ুক অঙনবগী প্রাইভেটকী থৌরম অদুদা ফিদেল কাষ্ট্রোগী ইমুংগী মীওইশিং, মহাক্না শন্দোকখিবা সিঙ্গল পার্টিসিষ্টেমগী পোল্যুটব্যুরোগী মেম্বরশিং ভেনেজুয়েলা, বোলিভিয়া, নিকারাগুৱা অমসুং ব্রাজিলদা মীচঙ ওইনবা লেফটিষ্ট গভর্ণমেন্টশিং থল্লিবা লেটিন অমেরিকান লিদরশিংনা শরুক য়াখি।

নুমিৎ মাপন্নি চুপ্পা লৈবাক শিন-থুংনা অৰাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ষ্টেটনা রন তৌবা মিদিয়াদা কাষ্ট্রোদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা লৈরোল চনবগী থৌরম অদুবু নিংখা তৌনা কভরেজ পীবা থিংখি। মদুগী মহুত্তা নুমিৎতুগী থেংলকপদা থৌরমদুগী ফোটো খরা অমসুং ব্রিফ দিস্ক্রিপসন খরা রিলিজ তৌখি।

কাষ্ট্রোগী হকচাংগী লেমহৌবা শরুকশিং য়াওবা ফিরালনা কুপ্পা সিদরগী কু য়াওবা মিলিটরি কেরাভননা রিভোল্যুসনগী প্লাজা থাদোকখিবা মতম অয়ুক পুং ৬.৩৯ দা থৌরমদু হৌখি।

মীওই লিশিং কয়ানা ক্যুবান ফিরালশিং হাইদুনা অমসুং 'লোং লিভ ফিদেল' হায়না লাউরদুনা সান্টা ইফিজেনিয়া সেমিত্রি তাবা মাইল ২ গী লম্বীদা পরেং লেঙখি।

ফিদেলগী উৎশিংদু মহাক্কী মনাওনুপা অমসুং মহুৎ শিনবা প্রসিদেন্ট রাউল কাষ্ট্রোদা শিন্নখি। চোরফোন মচুগী জেনরেলগী য়ুনিফোর্ম শেৎপা রাউল কাষ্ট্রোনা কাষ্ট্রোগী লেমহৌবা শরুকশিং অদু চাউরবা ৰাওথাংনবা মচুগী নুঙজাউ অমগী কুৎশিনবা মফম অমদা থমখি। মদুনা মহাক্কী মোংফম ওইগদৌরিবনি। নুঙজাউদুগী অকুৎপা শরুক্তু মার্বল প্লেকনা কুপশিনখি। মদুদা সনাগী ময়েকশিংনা ফিদেল হায়না থাখি।

ফিদেল কাষ্ট্রোগী মোংফম অদু কুমজা ১৯৫৩ গী জুলাই ২৬ তা সান্টিয়াগোগী মোনকাদা বেরাক্সতা মহাক্না লুচিংদুনা চথখিবা এটেক অমদা শিখিবা রেবেল লান্মীশিংগী নাকনদা লৈ। মদু ক্যুবান নেসনেল হিরো জোজ মার্টিগী হেক মমাঙদা লৈ।

লৈরোল চনবগী থৌরমদু লোইখিবগা লোয়ননা সেমিত্রিদুগী মপানদা মার্সিয়েন ম্যুজিক্কী মখোল তাখি। মফমদুদা তিল্লিবা অৰাবা ফোঙদোক্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা ইনেস দি লা রোজাসু য়াওখি।

ফিদেল কাষ্ট্রোনা য়ু এসকা মীচঙ ওইনবা করিবীন ঈথৎ অদুবু পায়শিন্দুনা সোভিয়েট-ষ্টাইল কম্যুনিকেসন্সকী ৱেষ্টর্ন আউট পোষ্ট অমা ওন্থোকখি অমসুং চহী ৫০ রোম মপুং ফাবা পৱারগা লোয়ননা লৈঙাকখি।

## রেফরেন্দমদা মায়থীবদগী ইটালিগী প্রাইম মিনিষ্টর রিজাইন তৌরগনি



রোম, দিসেম্বর ০৫ : লৈবাক্কী কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী মতাংদা পাঙথোকপা মরু ওইবা রেফরেন্দম অমদা মায়থীরবা ইটালিগী প্রাইম মিনিষ্টর মাটিও রেঞ্জি মফম থাদোক্লগনি।

রেফরেন্দমগী রিজল্ট অদুনা লৈবাক অদুবু পোলিটিকেলগী চমন্নবা ফীভম অমা মায়োক্নহনখি, তৌইগুম্বসুং হান্নদগী ক্রাইসিস কয়া মায়োক্নরক্লবা অমসুং এন্টি-ইষ্টাব্লিসমেন্ট ফোর্সশিং লাকহৎনবা হোৎনবদা ৱারবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লিদর কয়ানা ভোটতু লুনা উহন্দনবা হোৎনরি হায়বা য়াই হায়রি।

ঈ য়ুগী ফাইনান্স কম্মিস্নর পিয়েরি মোস্কোভিসিনা ব্রসেলজদা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, ইটালিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফীভমদু মেনেজ তৌবা ঙমগনি হায়না মহাক্না থাজৈ। 'য়ুনিয়ন অদু নিংবা কায়বগী থৌওং খুদিংমক থেংনবা ঙম্বগী কেপাসিটি লৈ হায়না ঐহাক্না থাজৈ' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

জর্মনিগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ৱোলগাং স্যুব্লিনা হায়খি, ইটালিনা রেঞ্জিনা হৌদোক্লম্বা ইকনমিক রিফোর্মশিংদু মখা তানা চত্থগদবনি। মহাক্না দোমেষ্টিক ইস্যু অমা ওইরিবা ইটালিয়ন রেফরেন্দম অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টরশিং রিলেক্স তৌগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি অমসুং মদুদা য়ুরো করেন্সিগা মরী লৈননা ক্রাইসিস থোক্লিংঙাই ওইদে হায়খি।

অদুম ওইনমক জর্মন ফোরন মিনিষ্টর ফ্রেঙ্ক ৱাল্টর ষ্টাইনমৈইয়রনা হায়খি মদুদি, রিজল্ট অদুনা মালেমগী অরোইবনি হায়গদবা নৎত্রবসু য়ুরোপকী জেনরেল ক্রাইসিস অদু য়েংলুরগা মদু পোজিটিভ দিভলপমেন্ট অমা নত্তে। মহাক্না দিভলপমেন্ট অদুনা কুপ্পা য়েংশিল্লি হায়খি।

## ঘানাদা ভিজা ময়াম ইস্যু তৌরম্বা শাশিন্নবা য়ু এস এম্বেসি থিংজিনখ্রে


অক্রা, দিসেম্বর ০৫ : চহী ১০ চুপ্পা ওথেন্টিক ভিজাশিং ইলিগেল ওইবা মওংদা ফংহনখিবা ক্রিমিনেল নেটৱার্ক অমনা রন তৌবা কেপিটেল অক্রাদা লৈবা শাজিন্নবা য়ু এস এম্বেসি অমা ঘানাদা ওথোরিটিশিংনা থুগায়খ্রে হায়না য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোক্লি।

চহী অসিগী কালেন্থাদা থিংজিন্দ্রি ফাওবা শাশিন্নবা এম্বেসি অদু পিঙ্ক মচুগী মথোল অনীগী জিঙ্ঘনা কুপ্পা অমনবা বিল্ডিং অমদা লৈরমখি। বিল্ডিং অদুগী মপানদা য়ু এসকী ফিরাল অমা পাইহল্লমখি। মনুংদা প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাগী প্রোর্ত্রেট অমা য়াল্লম্মী।

'মদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস গভর্ণমেন্টনা ওপরেট তৌবা ওইখিদে তৌইগুম্বসুং ঘানিয়ন অমসুং টর্কিশ ওর্গনাইজ ক্রাইম রিংশিংগী ফিগরশিং অমসুং ইম্মিগ্রেসন অমসুং ক্রিমিনেল লো প্রেক্টিস তৌরিবা ঘানিয়ন এটোর্নি অমনা ওপরেট তৌরম্মী' হায়না ইরাইগী অথেংবদা রিলিজ তৌখিবা ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ইংলিশ অমসুং দটচ লোল ঙাঙবা টর্কিশ সিটিজনশিংনা কোন্সুলর ওফিসরশিং শারগা লৈখি অমসুং ওপরেসন অদু মখোয়না ষ্টাফ ওইদুনা পাঙথোকখি। ইনভেষ্টিগেসনশিং চত্থবদা শাশিন্নবা দটচ এম্বেসিসু থেংনখ্রে হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা নেদরলেন্দসকী ওফিসলশিংগী কম্মেন্ট লৌনবা হোৎনবদা ফংবা ঙমখিদে। ক্রাইম রিং অদুনা অরানবা মওংদা ফংবা তৌইগুম্বসুং লিজিটিমেট ওইবা য়ু এসকী ভিজাশিং অমসুং বার্থ সার্টিফিকেটশিং য়াওনা অরানবা আইদেন্টিফিকেসন দোক্যুমেন্টশিংসু অমমমদা দোল্লর ৬,০০০ তা ইস্যু তৌখি।



মীওই কয়ামুকসু ফাগৎখিবা রেইদশিং অদুদা ওথোরিটিশিংনা ওথেন্টিক অমসুং কাউন্টরফিট ইন্দিয়ন, সাউথ অফ্রিকান অমসুং লেঞ্জেন জোন ভিজাশিং অমসুং পাসপোর্ট ১৫০ তোঙান- তোঙানবা লৈবাক ১০ দগী লেপটোপ অমা অমসুং স্মার্ট ফোনশিংগা লোয়ননা ফাগৎখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা করম্না গেং অদুনা ওথেন্টিক ভিজাশিং ফংখিবনো হায়বদু ফোঙদোকখিদে। ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং অতৈ লৈবাকশিং অদুদা মীওই কয়া ক্রাইম রিং অদুনা পীবা ভিজাশিং শিজিন্নদুনা চঙখ্রবগে হায়বদুসু ফোঙদোকখিদে।

ওপরেসন অদুবু রন তৌরিবা ক্রিমিনেলশিংদুনা শেঞ্জা-থুমজা তৌবা ওফিসলশিংদা শেল পীজখি অমসুং লিজিটিমেট বেঙ্ক দোক্যুমেন্টশিং লৌখি অমসুং মখোয়না মদু শেম শাখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

ঘানাগী ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা কম্মেন্ট অমত্তা ফোঙদোকখিদে।

নোংচুপ লৈবাকশিংগী ভিজাশিং অফ্রিকাদা দিমান্দ য়াম্না লৈ অমসুং ভিজা মার্কেট অসি ওর্গনাইজ ক্রাইমগী অচৌবা টার্গেট অমনি হায়না এম্বেসিশিংনা হায়রি।

## জপানগী পি এমনা ওবামাগা লোয়ননা পার্ল হার্বর ভিজিট তৌগদৌরি

টোকিয়ো, দিসেম্বর ০৫ : চহী ৭৫ গী মমাঙদা মহাক্কী লৈবাক্না এটেক তৌখিবা পুৱারীগী মফম অমা ওইরবা পার্ল হার্বরদা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা থা অসিগী অথেংবদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাগা লোয়ননা ভিজিট তৌগনি।



জপাননা কুমজা ১৯৪১ দা এটেক তৌখিবা হাৱাইদা লৈবা য়ু এসকী নেভল বেজ অমদা লৈঙাক্কী পৱার পায়রিবা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর অমত্তনা চৎখিবা লৈতে। জপান্না পার্ল হার্বরদা এটেক তৌখিবদুনা মরম ওইদুনা তঙাইফদনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা শরুক য়াখিবনি।

'মসি ভিক্টিমশিং অদুগী থৱায়বু থেম্ননবগী খোঙচৎ অমা ওইগনি' হায়না অবেনা পাউমীশিংদা হায়খি।

'ঐখোয়না অৰাবগী মশক ওইরবা লাল অমুক হন্না থোকহল্লোইদবনি। ঐহাক্না মসিগী কম্মিটমেন্ট অসি থাবা পামই।' লোয়ননা ঐহাক্না জপান অমসুং য়ু এসকী মরক্তা শন্তাইনবা পুরকপগী মেসেজসু থাবা পামই।

অবেনা হায়খি, দিসেম্বর ২৬ অমসুং ২৭ তা লাক্লিঙৈ মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা মহাক্না পার্ল হার্বরদা শিখিবশিংদুগীদমক্তা লাই খুরুমগনি। ওবামাগী প্রসিদেন্সি লোইশিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক অমসুং ওবামানা মখোয়গী অরোইবা সম্মিট মীটিং পাঙথোক্কনি।

চহী অসিগী অঙনবদা ওবামানা অনীশুবা লাঞ্জাউ লোইরকপদা হিরোসিমাদা য়ু এসনা এটোমিক বোম থাদবদা শিখিবা মীওইশিংগী মেমোরিয়লদা খোঙচৎ অমা চত্তুনা মদুদা খোঙচৎ চৎপা য়ু এসকী অহানবা সিট্টিং এম এল এ ওইখি।

চহী অসি পার্ল হার্বর এটেক অদুগী ৭৫রকশুবা এনিভর্সরি তারি। জপানগী টোর্নেদো প্লেনশিং, বোম্মরশিং অমসুং ফাইটর প্লেনশিংনা কুমজা ১৯৪১ গী দিসেম্বর ৭ তা য়ু এসকী পার্ল হার্বরদা খঙহৌদনা নোংথক্তগী লান্দাখিবনি। এটেক অদুদা মীওই ২,৩০০ হেন্না শিখি। মখোয়গী মনুংদা তঙ্খায় অমরোমদি বেট্টলশিপ অবিজোনাদা শিখি। মীওই ১১০০ হেন্না এটেক অদুদা শোকখি।


## পাকিষ্টানগী করাচি সিটিদা ষ্টার ৪ গী হোটেল মৈ চাকপদা মীওই ১১ শিখ্রে, মীওই ৭৫ শোকখ্রে

করাচি, দিসেম্বর ০৫ : নিংথৌকাবা নুমিৎতা করাচিদা লৈবা ষ্টার ৪ গী হোটেল অমা মৈ চাকপদগী নুপী অহুম য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১১ শিখ্রে। মদু চয়োল অনীগী মনুংসিদা পাকিষ্টানগী খ্বাইদগী চাউবা সিটি অদুদা থোকপা মরিশুবা অচৌবা মৈহৌলাংপোক্কী থৌদোকনি।

মৈহৌলাংপোক অদু করাচি সিটিগী সাহারাহ-ঈ-ফাইসলদা লৈবা রিজেন্ট প্লাজা হোটেলগী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা লৈবা কিটচনদগী হৌরকখিবনি অমসুং মদু বিল্ডিংদুগী ফ্লোর তরুক্তা শন্দোরকখি হায়রি। হোটেলগী গেষ্ট ১০০ রোম মখোয়-মখোয়গী কাদগী থোকপা য়াদনা লৈখি।

ফায়র বৃগেদকী ফায়র টেন্দর অহুম সাইট অদুদা য়ৌখি অমসুং গেষ্টশিং রেস্ক্যু তৌনবগী ওপরেসন হৌখিবগা লোয়ননা পুং অহুমগী মনুংদা ফায়রফাইটরশিংনা মৈজাউদু লাকশিনবা ঙমখি। পুন্না মীওই ১১ শিখ্রে হায়না ইধি ফাউন্দেসনগী ফাইসল ইধিনা হায়খি।

করাচিগী মেয়র ৱাসীম অখতর থৌদোক থোকফমদা চঙশিনখি অমসুং মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়খি, মৈ চাকপদু কন্ত্রোল তৌরে তৌইগুম্বসুং হৌজিক ফাওবগী ওইনা মৈদু করম্না হৌরক্লিবনো হায়বগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। ইম্মরজেন্সি এগজিট লৈতবা অমসুং মৈখু কন্না শনে দারকপদগী মী কনবগী থবক্তা অপনবা থোকখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।



মৈহৌ লাংপোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭৫ শোকখি অমসুং মখোয়শিংদু ইমরজেন্সি দিপার্টমেন্টদা পুখৎলকখি হায়না জিন্নাহ পোষ্ট গ্রেজুয়েট মেদিকেল সেন্টরগী ইমরজেন্সি সর্ভিসেসকী মকোক ডা. সীমিন জমালিগী ৱারোল পল্লদুনা দোন্না হায়রি।

অশোকপশিংদুগী মনুংদা নাম্থোক্নবা হোৎনবদা হোটেলগী থোংনাউদগী চোংথবদা শরূ কায়বশিং, গ্লাস মচেৎনা শোকপশিং য়াওরি। মীওই কয়া মৈখু হোঞ্জিনখিবগীদমক্তা ট্রিটমেন্ট তৌখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

জমালিনা হায়খি, অশিবা হকচাং ১১ হোস্পিটালদা পুখৎলকখি। শিখিবশিংদুগী মনুংদা নুপী মরি য়াওখি। মৈ চাকপদুদা শোকখিবা মীরৈবাকমচা অহুমগী ফীভম ষ্টেবল ওইরে। রেস্ক্যু ওপরেসন মখা তানা চত্থরি অমসুং মীওই খরা হোটেল মনুংদগী থোকপা য়াদনা লৈরি হায়রি।

মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক্তু থোকপা মতমদা পাকিষ্টানগী ক্রিকেটর সোহাইব মকসূদসু হোটেল অদুদা লৈখি। অতোপ্পা ক্রিকেটর য়সিন মুরতাজা অনীশুবা ফ্লোরদগী গ্রাউন্দদা চোংথখি অমসুং মহাক্কী খুমিৎ কায়খি। করামাট অলিনা অকায়বা গ্লাসনা শোকখি হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোক্লি।


হৌখিবা চয়োলদা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাউবা মেট্রোপোলিস অদুদা নুমিৎ ১০ নিগী মতমগী মনুংদা অহুমশুবা মৈহৌ লাংপোক থোকখি।

হৌখিবা দিসেম্বর ২ দা হীদাকলাংথকশিং অমসুং কেমিকেলশিংগী ৱেয়রহাউস অমা ওইনা শিজিন্নবা মথোল অহুমগী বিল্ডিং অমা মৈ চাকখি।

থাংজ নুমিৎতা কীমরিদা লৈবা পোর্ট তুগী মনাক্তা মিথানোল ষ্টোরেজ টেঙ্ক অমদা ব্লাষ্ট অমা থোক্লবা মতুংদা মৈ চাকখিবগী থৌদোক্তা সর্ভেয়র অনী শিখি।

মদুগী মমাঙ নবেম্বর ২৩ দা ষ্টোরেজ টেঙ্ক অনীগী গেটনম্বর ২ গী মনাক্তা মান্নবা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক অমা থোকখি।

## ফিনলেন্দদা লোকেল গনমেন্না পোলিটিস্যন ১, জর্নেলিষ্ট ২ কাপ্পুনা হাৎখ্রে




হেলসিনকি, দিসেম্বর ০৫ : ফিনলেন্দগী অপীকপা টাউন ইমাত্রাদা হন্টিং রাইফল অমা পায়বা মীওই অমনা লোকেল পুলিস অমগা জর্নেলিষ্ট অনীগা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

নুপী অহুম অদু থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা রেষ্টোরেন্ট অমদগী থোকখিবা মতমদা মখোয়গী মকোক অমসুং হকচাংগী অতৈ শরুকশিংদা নোংমৈ মরু কয়া কাপশিন্দুনা হাৎখিবনি। থৌদোক থোকফমদা কার অমদা ফমদুনা লৈবা চহী ২৩ গী লোকেল নুপা অমা মীহাৎশিংদুগা মরী লৈননা ফাখি।

পুলিসনা হায়খি, নোংমৈ কাপখিবা মতুং পংকান কান্নদনা ওফিসরশিং থৌদোক থোকফমদা থুংদুনা মঙোন্দা ওনশিনখিবা মতমদা মহাক্না অথিংবা পীখিদে। সাউথ ইষ্টর্ন ফিনলেন্দ পুলিস দিপার্টমেন্টনা সসপেক্ট অদু ক্রিমিনেল রেকোর্দ লৈ হায়খি।

'মীহাৎশিং অসিদা পোলিটিকেল মোটিভ উবা ফংদে। গনমেনদুগা ভিক্টিমশিংগসু খৎনখি হায়বগী খুদম চাংদম লৈতে' হায়না দিটেক্টিভ ইন্সপেক্টর সাকু টিলিনেলনা হায়খি।

'গনমেন অসিনা মহাক্কী ভিক্টিমশিংদু ঙাইহক্তংদা য়েংলগা খনখিবগী মওং উই' হায়না দিটেক্টিভ ইন্সপেক্টরনা মখা তাখি। কেপিটেল হেলসিনকিদগী কিলোমিযর ২৩০ লাপ্পা ইমাত্রা টাউনদা মীওই ২৮,০০০ দমক লৈ হায়রি।

টাউনগী মেয়র পার্টি লিনতুনেননা সোসল দেমোক্রেট কাউন্সিলগী মশাগী চহী ৫০ হেল্লবা লিদর টিনা ৰিলেন-জাপিনেন ভিক্টিমশিংদুগী মরক্তা য়াওই হায়না কনফার্ম তৌখ্রে। টাউন অদুগী ময়ায় চবুক্তা লৈবা রেষ্টোরেন্টশিং অমসুং নাইট ক্লবশিংগী মনাক্তা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তুগী মতুংদা ঐখোয়না ক্রাইসিস সেন্টর অমা হাংনবা লেপ্লে হায়না সাউথ কারোনিয়া সোসল এন্দ হেল্থ সেন্টরগী স্পোক্সপার্সন সারা রাউদাসোজানা হায়খি।




## EMPLOYMENT NEWS

### National Council of Educational Research & Training – NCERT Recruitment 2017 – 240 Professor, Associate Professor & Assistant Professor Vacancies – Last Date 25 December 2016

**NCERT Recruitment 2017**

National Council of Educational Research & Training invites Applications for the post of 240 Professor, Associate Professor & Assistant Professor under direct recruitment. Apply Online before 25 December 2016.

Advt. No. : 167/2016

**Job Details :**
Post Name : Professor
No of Vacancy : 36 Posts
Pay Scale : Rs. 37400-67000/-
Grade Pay : Rs. 10000/-

Post Name : Associate Professor
No of Vacancy : 71 Posts
Pay Scale : Rs. 37400-67000/-
Grade Pay : Rs. 9000/-

Post Name : Assistant Professor
No of Vacancy : 133 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 6000/-

**Eligibility Criteria for NCERT Recruitment :**
Educational Qualification :

For Professor : An eminent scholar with Ph.D. qualification(s) in the concerned/allied/relevant discipline and published work of high quality, actively engaged in research with evidence of published work with a minimum of 10 publications as books and/or research/policy papers and A minimum of ten years of teaching experience in university/college.

For Associate Professor : Good academic record with a Ph.D. Degree in the concerned/allied/relevant disciplines and A Master's Degree with at least 55% marks and A minimum of eight years of experience of teaching.

For Assistant Professor : Good academic record as defined by the concerned university with at least 55% marks at the Master's Degree level in a relevant subject from an Indian University, or an equivalent degree from an accredited foreign university and candidate must have cleared the National Eligibility Test (NET) in the relevant subject for Lecturer/ Assistant Professor conducted by the UGC, CSIR or similar test accredited by the UGC like SLET/SET.

Nationality : Indian
Age Limit : As per NCERT rules

**Job Location : All India**

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 500/- through online payment mode. No application fees for SC/ST/PWD/ Women/NCERT employees.

**How to Apply NCERT Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.ncert.nic.in form 26.11.2016 to 25.12.2016. Candidates may also send Hard Copy of Online Application form along with self-attested copies of testimonial, service certificate etc to Section Officer, Recruitment-I Section, Room No. 12, 5th Floor, Zakir Hussain Block, NCERT, Sri Aurobindo Marg, New Delhi- 110016 on or before 10.01.2017.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application form : 26.11.2016
Last Date for Submission of Online Application form : 25.12.2016
Last Date for Submission of Hard Copy of Online Application form : 10.01.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.ncert.nic.in/announcements/vacancies/pdf_files/167advt_2016.pdf
Apply Online : http://ciet.nic.in/soar/default.php

### Security Printing and Minting Corporation of India Limited – SPMCIL Recruitment 2017 – 15 Junior Office Assistant Vacancies – Last Date 30 December 2016

**SPMCIL Recruitment 2017**
Currency Note Press, Nasik Road invites application for the post of 15 Junior Office Assistant. Apply Online before 30 December 2016.

Advt. No. : 06/16

**Job Details :**
Post Name : Junior Office Assistant
No of Vacancy : 15 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2000/-

**Eligibility Criteria for SPMCIL Recruitment :**
Educational Qualification : Graduation with at least 55% marks and computer knowledge with typing speed in English @ 40 wpm/ Hindi @ 30 wpm.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 28 years as on 30.12.2016
**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 03 years
For SC/ST Candidates : 05 years
For PH Candidates : 10 years

**Job Location : Nasik (Maharashtra)**

**Selection Process :** The process of selection shall be Online written examination.

**Application Fee :** Candidates have to pay for Rs. 350/- through Debit Cards (RuPay/Visa/ MasterCard/Maestro), Credit Cards, Internet Banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets. Candidates belonging to SC/ST/PWD/Ex-Servicemen are exempted from payment of application fees.
**How to Apply SPMCIL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://cnpnashik.spmcil.com/Interface/JobOpenings.aspx from 01.12.2016 to 30.12.2016.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission of Online Application : 01.12.2016
Last Date For Submission of Online Application : 30.12.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://cnpnashik.spmcil.com/UploadDocument/Final%20Junior%20Office%20Assistant%20Advert%2025%2011%202016.a2dd2c7f-d1cc-476a-99d5-94b3f1061124.pdf
**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/cnprjoanov16/